# ইন্দিয়াগী ক্রিকেটতা আর কে রেক্সনা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা মণিপুর ক্রিকেটকী পুৱারি অমা শেমখ্রে



ইম্ফাল, ফেবুৰারি ১৩ঃ বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া(বি সি সি আই) দি জুনিয়ার সেলেক্সন কম্মিটি ফোর ইন্দিয়া য়ু–১৯ স্কৱার্দনা সাউঠ অফ্রিকাগা কেরেলাগী থিরুভনথাপুরমদা থা অসিগী ২০ দগী অমদি ২৬ তগী শান্নগদবা মেটচ অনীগী ৪ দে গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী শান্নরোই রাজকুমার রেক্স খনলকলে।

রেক্সনা ইন্দিয়াগী স্কৱার্দ অসিদা য়াওখিদুনা মণিপুরদগী ক্রিকেট মশান্না অসিদা ইন্দিয়া ফংবা শান্নরোই অসি মহাক্লা অহানবা ওইদুনা ক্রিকেট মশান্ন অসিগী পুৱারি অমা শেম্বা ঙমখ্রে।

লের্ফ আর্ম মেদিয়ম পসর বোলর অসি ইম্ফালগী সাগোলবন্দ মোইরাং হনুবাদা লৈবা আর কে দ্রোরেন্দ্রো অমদি আর কে রেনুবালা দেবীগী মচা অহুম পোকপগী মনুংদা মহাক্লা য়াইমনি।

রেক্স পার্টসোইদা লৈবা পার্টসোই ক্রিকেট একাদেমিগী কোর্চ পিঐচ রোহেন্দ্রোগী মখাদা মশান্না অসিদা খোংদাবা হৌরকখি। অমদি হৌজিক হৌজিক্লা মহাক পি টি আর সি পার্টসোইগী শান্নরোই অমা ওইরি।

মণিপুর ক্রিকেটকী পুৱারি শেমখ্রবা শান্নরোই অসি মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট রঞ্জি ত্রোফি,ভিজে হাজরি,ভিনোট মকন অমদি কুর্চ বিহার ত্রোফিদ শারুক য়ারুবা শান্নরোই অমসুনি।

মহাক্লা মমাঙ চহিগী সিসেম্বরদা অনন্দতারপুর রুরেল দিভলপমেন্ট ট্রুষ্ট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কুর্চ বিহার ত্রোফিদা মণিপুরগা অরুনাচল প্রদের্সকা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ইন্নিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌদুনা ক্রিকেট মশান্না অসিগী তাংলবা ইলাইদ লির্ষ্টতা চন্দুনা বি সি সি আইগী সেলেকস কম্মিটিবু পুক্নিং চিংশিনখিবনি।

মহাক্লা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা য়াওখিবা অসিনা মণিপুরনা অতৈ মশান্না শিংদা মশক থোক্লা শান্নবগুম ক্রিকেট মশান্না অসিদসু শান্নবা ঙমই হায়বদু উংপগা লোয়ন্নানা হৌরকলিবা ক্রিকেটপু পামজবা শান্নরোইশিংদা ইনোৎ অমসু হাপলগনি।

আর কে রেক্সনা ইন্দিয়া য়ু–১৯ স্কৱাদ ফংলকপা অসিদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনসু নুঙাইবা ফোংদোকরকলি।

বি সি সি আইনা সাউঠ আর্ফিকাগা শান্নানবগীদমক খনলবা শান্নরোইশিং অদুদি সুরজ অহুজা (রাজষ্টথান),দিভিয়ানাস সেক্সনা (এম সি এ),ভারুন নারায়ন (কিরেলা),অভিনেস সুধা (উট্টরাখন),য়াসাভি জাইৱাল (এম সি এ),ভাইহাভ কানদপাল (দি দি সি এ),সুরিয়া সারান (ঐচ পি সি এ),হির্ৱিথিক শোকেন (দি দি সি এ),মানভ সুথার (রাজষ্টথান),মানিসি (জি এস সি এ),সবির খান (বিহার),অনসুল কমবোস (হারিয়ানা),রজভরধন হংগারগেকর (এম ঐচ সি এ),রোডিট ধাট্টাত্রয়া (ভি সি এ),*রাজকুমার রেক্স সিংহ (মণিপুর সি এ)* অমদি ভাটসাল সর্ম্মা(কেরেলা)নি।

# মেন্স ক্রিকেট অন্দর–২৩ ৱান দে লীগ এন্দ নোকআউত টুর্নামেন্ট মণিপুরনা ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিবু রন ৮০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ১৩ঃ* মেন্স ক্রিকেট অন্দর–২৩ লীগ এন্দ নোকআউতকী ঙসি ভুবনেশ্বরদা লৈবা ভিকাস ক্রিকেট গ্রাউন্দা মণিপুর অমদি ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিগা শান্নখিবা মেটচতা ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিবু মণিপুরনা রন ৮০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মণিপুরনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা মণিপুরনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ২১৬ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু অল বসিদ না বোল ৩১ দা রন ৯, অবিসেকনা বোল ৬৭দা রন ৩৩, করনাজিৎ ৱাই (কেপ্টেন) না বোল ৮ দা রন ২, এমননা বোল ৮১ দা রন ৫৪, লংলোনয়াম্বা এম না বোল ৪৮তা রন ৩৫, নিতেসনা বোল ৩২ দা রন ৩৭, জোন্সননা বোল ৫দা রন ৪, বিকাস সিংহনা বোল ১৩দা রন ১৫, কিষননা বোল ৪তা রন ১, ভিএ য়াদবনা বোল ৬তা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিগী বোল্লর ভেনগটনা ওভর ৭তা রন ৩৮, সন্তোসনা ওভর ৯দা রন ৪০, অরাভিন্দনা ওভর ৮দা রন ৩৯, সিদাক সিংহ না ওভর ১০ দা রন ২৬ অমদি সতিস জংগিরনা ওভর ৯দা রন ৩৫ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌবি ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিনা ওভর ৩০.১ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১৩৬খক্তমক লৌবদগী মণিপুরগী মখুৎতা রন ৮০ দা মায়থিবা নঙখিবনি।

ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ পোন্দিচেরিগী রনশিং অদু রগুনা বোল ২৩দা রন ৩৩, জিওনা বোল ৪দা রন ২, পরাস রাটনাপর্খেনা বোল ৫৫দা রন ২২, অকাস করগেবনা বোল ১৩দা রন ২০, সাইনা বোল ৩ দা রন ০, সিদাক সিংহ না বোল ৫১ দা রন ৩৯, অরুনা বোল ৯ দা রন ৬, সন্তোস কুমারন এসনা বোল ১২ দা রন ৫, অরাভিন্দনা বোল ৬তা রন ১ অমদি ভেনগটনা বোল ৫দা রন ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা মণিপুরগী বোল্লর বিকাস সিংহনা ওভর ৫দা রন ৩৪, থোমাস এম না ওভর ৪দা রন ৩০, কিষননা ওভর ৬তা রন ২৯, ভি এ য়াদবনা ওভর ৭.১ দা রন ১৪, নিতেসনা ওভর ৫দা রন ১৯ অমদি অমননা ওভর ৩দা রন ১০ পীখি।

# 'ৱুমেন্স ওলিম্পিক ফুটবোল ক্বালিফায়র রাউন্দ টুদা ইন্দিয়া ম্যান্মার, ইন্দোনেসিয়া অমদি নেপালগা গ্রুপ পুনখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ঃ* চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী ৯ ফাওবা ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা ৱুমেন্স ওলিম্পিক ফুটবোল ক্বালিফায়র রাউন্দ টুদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম য়ুম্বু ম্যান্মার য়াওনা ইন্দোনেসিয়া অমদি নেপালগা গ্রুপ এদা পুন্না তামিন্নখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম ৱুমেন্স ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী রাউন্দ ৱানদা নেপাল অমদি ম্যান্মারগা গ্রুপ পুন্দুনা শান্নখ্রে। গ্রুপ অসিদা শরুক য়াখিবা বংলাদেশকী টিম ৪শুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌখিবনি।

রাউন্দ ৱানদা ইন্দিয়ানা নেপালগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। টিম অসিনা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ৭–১ য়াম্না লায়না মায়থিবা পীবা ঙমখি। অদুগা ম্যান্মারগী মখুত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিহৌদুনা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা রাউন্দ টুগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ৱুমেন্স ওলিম্পিক ক্বালিফায়র টু অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই বালা দেবী, কমলা দেবী অমদি গোলকিপর পান্থোই চনু শরুক য়াগনি।

# মণিপুরগী হোক্কি টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেবুৰারি ১৩ঃ হোক্কি ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭তগী ২৮ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী অরুনগবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ (দিভিজন –এ) দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা মেম্বর ২০না শাবা মণিপুর হোক্কি টিম ঙসি মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি– ফিলেম অরবিন সিংহ, য়েংখোম শ্যামসন সিংহ, লাইশ্রম দিপু সিংহ, তোঞ্জম রিকি, ইরেংবম রোহিদ সিংহ, ফিলেম মালেমঙান্বা সিংহ, মাইরেনম্বম সঞ্জয় মানি সিংহ, কৈশাম রোহিট সিংহ, থোকচোম ষ্টেফেন, মোইরাংথেম ধঞ্জয় সিংহ, সোরেন শঙবম অমুজাও মৈতৈ, মোইরাংথেম রাবিচন্দ্র সিংহ, কোঞ্জেংবম ইবুংঙো, হেমাম অমরজিৎ সিংহ, নিংঙোম্বম জেমসন সিংহ, তাখেল্লম্বম নিরজ সিংহ, ৱারিবম নিরজকুমার সিংহ অমদি নিংঙোম্বম অমরজিৎ সিংহ নি।

মণিপুরগী টিম অসিগী মেনেজরদা মোইরাংথেম প্রমেশ্বর সিংহ অমদি কোচতনা মোইরাংথেম রিনাস মৈতৈ নি।

পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা পুল–বি দা হোক্কি হারিয়না, মধ্যা প্রদেস হোক্কি একাদেমী, হোক্কি ঝরখন অমদি দি মুম্বাই হোক্কি এসোসিয়েসন এল টি দি গা পুন্না তামিন্নরি।

# লক্ষ্য সেন অমদি হরসিল দানি ৮৩শুবা সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ১৩ঃ* অসামগী ষ্টেট গুৱাহাটিদা চত্থরিবা ৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা লক্ষ্য সেন অমদি হারসিল দানি নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবা লক্ষ্য সেননা ভিপুল সাইনিবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৪, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হরসিল দানিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বলরাজ কাজলাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৪, ২১–১৫ দা থোইরম্লগা মহাকসু মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন সৌরভ বর্মগা লোয়ননা রিতুপর্না দাস নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সৌরভ বর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৮শুবা সিদেদ কে জাগাদিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১১, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দদা মুনাৱের মোহম্মেদকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রিতুপর্না দাসনা সালোনি কুমারীবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দদা নমিতা জোসিগা লম্বা তৌনরগনি।


অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী সট্টলরশিং ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী অরুবা দ্রোদা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগা লম্বা তৌনরগনি। পি ভি সিন্ধু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী সিজনদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্সকী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর সাইনা নেহৱালনা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা রাউন্দদা স্কোটলেন্দগী কৃষ্টি গিলমোরগা শান্নগনি।

ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী ১৮ অসিদা টাইটল অমত্তা ফংদনা লাকখিবা অদু হন্দক্কী সিজন অসিদা শোয়দনা ফংবগী ওইথোকপা চাওনা লৈরিবনি।

# *চেম্পিয়ন্স লীগঃ* ফ্রান্সকী পি এস জি অমদি ইটালিগী রোমা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগী অহানবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে



*লন্দন। রোম, ফেব্রুৱারি ১৩ঃ* য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ফ্রান্সকী চেম্পিয়ন ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি ইটালিগী ক্লব রোমা মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা লৈবা ওল্ড ত্রাফোর্দ তা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থন্নদুনা লাকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা প্রেসনেল কিমপেম্বেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রান্স মচা কাইলিয়ান মবাপ্পেনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ২–০ দা হেল্লগা খুদুম চন্দুনা থম্বা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৩০ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা লাকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

টিম অনী অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ মার্চ ৬ তা পেরিস সেন্ট জর্মেননা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগনি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইটালিগী কোনুং রোমদা লৈবা ষ্টেদিও ওলিম্পিকোদা শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা য়ুম্বু টিম রোমানা পোর্টুগালগী ক্লব এফ সি পোর্টোবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

রোমা অমদি এফ সি পোর্টোনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা রোমাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখ্রবসু এফ সি পোর্টোগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা লৈখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা নিকোলো জানিওলোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লৈরিবা রোমাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নিকোলো জানিওলোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা এফ সি পোর্টোগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা এড্রিয়ান লোপেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু রোমানা পোর্টোবু ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

টিম অনীগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ লাক্লিবা মার্চ থাগী ৬ তা শান্নরগনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*